# মীহুৎশিংনা চোংথোক্কুনা ভোটরশিংবু লমজীংবীবা মতম য়ৌরে

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

সনানা মৈ ইক্ল-ইক্লগা মগুণ লৈবা হেনগৎলকই অমসুং মালেম অসিদা লৈরিবা পোৎশক পূন্নমক অশাবা মৈশানা চাকথেক্কুনা উৎ ওলহনবা ঙম্লবসু, সনা হায়রিবা মমল তাঙলবা নাপু মচুগী ধাতু অসিদি মদুগী মহুত্তা মৈরীগা থেংনরিবা মখৈ মচু শেংলকই অমদি হায়রিবা মচু অসিবু সনা অহিংবা মচু হায়না খঙনৈ। ঐখোয় মীওইবনা থেংনরিবা অৱা-অনা অমসুং খুদোংথীবা ময়াম অসিসু অশাবা মৈশাগা চাংদম্নবা য়াই। পুন্সিগী অৱাবা কয়ানা পাড়া ওইদুনা, মীওইবনা চাওখৎলকপগী য়ূম্ফম থোল্লি। অহিংবা থৱায় পানবশিংগী মনুংদা, থোইদোকপা ৱাখল-লৌশিং লৈবা মীওইবনা সনাগী মতৌগুম্না অৱাবা অমসুং খুদোং থীনীংঙাই ওইরবা ফীভম কয়াগী অকনবা মৈশা মায়োক্নদুনা, মালেম অসিবু মীওইবা খুন্নাইনা হিংদুনা লৈবদা মতীক চাবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। থৌওং অসি অপূনবা খুন্নাই অমগী উচল মনুংদা পূন্না হিংমিন্নবা, মীওইবা হায়রিবা থৱায় পানবশিং অসিগী মশাদা মহৌশা ওইনা য়াওদুনা লাকপা মচৎ অমনি।

দেমোক্রেসি চৎনবা লৈবাক অমদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কথোকপগী ৱাখল অমগা লোয়নননা মীচম-মীয়াম্বু নুঙাই-য়াইফহন্নবা অমসুং মরা তপ্না হিংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদনা লৌফম থোকপা থৌদাংনি। মসিগীদমক্তা, কন্সটিট্যুশননা করিগুম্বা ফেদরেল ষ্টেট অমদা নৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎশিংদা পীরিবা এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওথোরিটিশিং অদু শীজিন্নবা তাই। হায়রিবা ওথোরিটি অসি কংলৈপাক মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা নেশনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ) অমসুং ওপোজিশনদা লৈরিবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) অনীমক্কী মেম্বর, লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (এম এল এ) শিংনা অচুম্বা মওংদা শীজিন্নরিবরা হায়বা ৱাহং অসি মীয়ামগী মায়কৈদগী হংনীংঙাই ওইরক্লি। লৈবাক ঙাকপগী ওথোরিটি হায়রগা ঐখোয়না থিকাগী, সপ্লাইগী ৱার্ক ওর্দর পীবা, ত্রান্সফর, পোষ্টিং তৌবা নৎত্রগা অনৌবা থবক হাপচিনবা হায়রিবশিং অসিখক্তংবু খঙনবা চুম্লোই। ওপোজিশনগী এম এল এশিংনা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী কা হেনবা থৌওং হায়বদি মী হাৎনীংবা মতমদা হাৎপা, য়ূম মৈ থানীংবা মতমদা থাবা অমসুং নেশনল হায়ৱেশিং মতম কক্তনা থিংজিন্দুনা থম্বা অসিনচিংবা থৌওং কয়া অথিংবা লৈতনা চত্থরকপদা, থিংঙেলদা তাইনবগী মহুৎ নাশিখোংদা তাইনবগুম্না -- মখোঙ-মখূৎ পুনশিন্দুনা, মচীন ফোৎচিন্দুনা থম্বীরবা ষ্টেট অসিগী রুলিং কাঙবুদা তাইনরি। কংলৈপাক অসিদা, কোলোনিয়েল বৃটিশশিংগী মতমদগী শান্নরক্লিবা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অসি, ঙসিসু বি জে পি অমসুং এ আই সী সীগুম্বা মেইনষ্ট্রিম নেশনল পোলিটিক্সনা য়াম্না মায় পাক্লা মখা চত্থরি হায়বা ৱাফম অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খঙনা-খঙনা, হায়রিবা পোলিটিক্স অসিগী মায়োক্তা মপান থোক্লা ৱাকৎচবা ঙমদ্রি। থৌওং অসি লৈবাক ঙাক্নবা ওথোরিটি লৈবা লিদরশিংগী মচৎ নত্তে।

ঙসি, লাম্মৈ চাকপগী মতৌগুম্না তাঙ্খুল নাগাশিংনা খুন্দাবা চীংগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট য়ৌনা মৈৱায়রক্লিবা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চূখৎলক্লিবা লানগী মৈরী অসি, সেন্টরনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা চী অমসুং তম অনীগী লালহৌবগী ঈরাং নমথনবা হোৎনবখক নত্তনা কংলৈ-য়েলহৌমী পূন্নমক অসিগী ইমোস্নেল ইন্টিগ্রেশন, আইদেন্টিটি অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি হায়রিবশিং অসিবু মতম পূম্বগী ওইনা কাং-খোং চাইহন্নবা হোৎনরকপগী লাল্লোং অমগুম্না উবা ফংনরি। ষ্টেট অসিদা ফোঙনরিবা পাউচেশিং, ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পেনেল দিস্কশন অমসুং নেশনল মীদিয়াদা ঙসিদি থোক্লিবা ঈরাং অসি ষ্টেট এক্টর অমদি পোলিটিকেল মাষ্টরশিংনা লৌতুনদুনা খূজীল-থৌরাং তৌবা ‘প্রোক্সি ৱার’ মখল অমনি হায়বগী খোল্লাওনা নিল্লক্লি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি চহী অহুম মপূং ফারক্কদৌরবা ঈরাং অসি হেক হৌরকপদগী হৌনা তস্পাক্কী মীয়াম্না সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা, সূ তৌনরিবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা খূৎশম্নরগা ঈরাং অসি চথৈ হায়না মরাল শীদুনা লাকখিবা অদুগুম্না, চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা উখ্রুলদসু, তাঙ্খুলশিংনা হায়রিবা ফোর্সশিং অসিনা দিজিগ্নেটেদ কেম্পশিংদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী এন্টি-তাঙ্খুল ওইবা ক্রাইমগী থবক-থৌরমশিংদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরে হায়না মখোয়বু য়ানীংদবগী অকনবা খোল্লাও কয়া লাউনরকপগা লোয়নননা সেন্টরনা ষ্টেট অসিদা শান্নরিবা অরোনবা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসিবু চিংথোক্কুনা মশক উৎপা হৌরক্লি।

য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোন অমনি। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মশীং থীঙমদ্রবা, তোঙান তোঙানবা মীওই ফূরুপ কয়াবু অমত্তা ওইনা কোনশিন্দুনা ইন্দিয়ানশিংগী অমত্তা ওইবা খুন্নাই অমা লিংদুনা লৈরি। লাইবক থীবদি, ঙসি কংলৈ-খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা, চহী অহুম ফারক্লবা ঈরাং অসিবু সেন্টরনা লাকশিনবা তৌদনা থম্বা অসিনা, হায়রিবা ইন্দিয়ান য়ুনিটিগী থাক ৱাংলবা ৱাখল্লোন অসিবু ৱাহম্হোক লৈহন্দ্রবরা হায়বা ৱাহং অমা হংনীংঙাই ওইরকপা অসিনি। পাক-চাউরবা ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেটতা, মশাগী আইদেন্টিটিগা মরী লৈনবা নেশনেলিজমগী অকনবা মীহুল হুন্দবা য়াওবগে? মখল-মখা কয়াগী মীওই ফূরুপশিংগী মরক্তা, লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা অচৌবা ষ্টেটশিংগী আর্য্যান পোলিটিক্স অমসুং পোলিটিকেল সুপ্রিমেসিবু য়ানীংদবগী অকনবা খোল্লাও লৈরি। পার্লিয়ামেন্টতা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনচিংবা মেইনষ্ট্রিম পোলিটিকেল পার্টিশিংগা, লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা খুন্দারিবা দ্রাবীড় ফূরুপকী টামিল নাদু অমদি কেরলানচিংবা ষ্টেটশিংগী দ্রাবীড় মুন্নেত্রা কাজগম (দি এম কে) নচিংবা রিজনেল পার্টিশিংগা পোলিটিকেল সুপ্রিমেসিগী অকনবা থৌরী চিংনরি। বি জে পিনা, কোংগ্রেসকী মতমদা সূ তৌনদুনা কৈ মচা চাউনবা য়োকপগুম য়োকখৎলম্বা খূৎলায় পায়বা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু, খাবৈ ওইনা শীজিন্নদুনা কংলৈপাক অসিদা কন্সটিট্যুশনগী মতুং ইন্না লিংলিবা মীয়ামগী লৈঙাক অমসুং মীয়াম অনীমকপু ওৎখায়বগী থৌওং অসি টামিল নাদুদসু চত্থরক্কদ্রা হায়না চিংনবা পোকপদগী ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা মদু তৌরকপা য়ারোই হায়না মীদিয়াগী খূত্থাংদা বি জে পিদা অকনবা ৱার্নিং পীখি। ষ্টেলিনগী অসিগুম্বা, মরৈবাক অমসুং মফূরুপ্পু নুংশিজবগী থৌনা-লিংজেল অসি পীল্লবা কংলৈপাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংগী মশাদা চেল্লবদি, ঙসি কংলৈপাক মীয়াম্না ‘হা উরোক নমাংসু লাং, নতুংসু তেন’ হায়বা পাউরৌ অসিগী মওংদা তুফক-তুফাই চন্না হিংনরিবা অসি তৌরম্লোই।

লুচিংবা হায়বসি মমল তাঙলবা সনাগী মতৌগুম্না, লৈবাক্কী লুরবা ফীভম কয়াদা মশাগী অশেংবা, ফজরবা শক্তম অমসুং মথৌনা মরিংজেল অদু উৎপগা লোয়নননা মীয়াম্বু য়াইফনবা লম্বীদা লমজীংবা ঙমদ্রবদি লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরুবগী ৱাহম্হোক লৈতে। গান্ধী, সুভাস অমসুং শহীদ ভগৎনচিংবনা তমথীরবা লোইলম মপু বৃটিশশিংগী শরৈদা চত্তুনা শাহেবনা য়েরকপা পুঙলোন্দা জগোয় শাদুনা লৈথোক্লম্বা তারবদি, মখোয়বু ঙসিগী অনৌবা মীরোলনা লাইগুম্না ঈরাৎনরিবা অসি তৌরম্লোই। গান্ধীগী ওইনদি, ইন্দিয়ানা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্তগী কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা, কোংগ্রেসকী মথৌ লোইরে, মরম অসিনা পার্টি অসি মুত্থৎলো হায়না মহাক্কী অপাম্বা ফোঙদোক্লম্মী। মসিগী থোইদোকপা মরমদি, বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্লা চূ শুম্বগী মতৌগুম্না শুমদোকপীরম্লবা অমসুং তমথীরবা মীওৎ-মীনৈগী অৱাবদগী নিংশা হোনে দাকচরকপতা ঙায়রিবা ইন্দিয়াগী লায়রবা মীয়াম্বু অমোৎপা পোলিটিক্স অমদি মরন্নাইগী ৱাখলনা মাঙওইনবা পোলিটিসিয়নশিংগী খয়াৎতগী কনবীবা ঙম্নবগীদমক্তনি। গান্ধীনা পোলিটিক্স অমসুং পোলিটিসিয়নশিংগী লূজদবা মওং-মতৌশিং অদুবু য়াম্না মুন্না মশক খঙখি।

মীপূম খূদীংমক অসি গান্ধী অমসুং সুভাসকী মতৌগুম্না অরংবা থৱাম্নীচাকশিং ওইগনি হায়বদি লৈতে, অদুম ওইনমক মখোয়না মশা মশাবু, মরৈবাক-মফূরুপকী য়াইফনবগীদমক্তা, সনাগী অমুবা কালিনা য়েক্তুনা পুৱারীগী লাতমশিংদা উৎলম্লিবা, অশেংবা মীয়ামগী লুচিংবা অমমম ওইবগী শক্তমশিং অসিদি মতম পূম্বগী ওইনা, তুংগী মীরোলনা কাউবা ঙমদনা লৈহৌরগনি অমসুং মুৎনাইদ্রবা থৌইনশিনগী মৈরা অমা ওইনা ঙান্দুনা লৈরগনি। মীতৈগী ৱা, নাগাগী ৱা নৎত্রগা কুকিগী ৱা পূম্নমক অসি অরায়বনি। হৌজিক কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা কংলৈচা ঙম্নমক্কী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা, খ্বাইদগী হেন্না লুবা ৱাফমদি, পুৱারীগী থেঙ্খাং কয়াদা অৱা-মৈশা লাংদুনা লাক্লবী, নুংশিরবী ইমা লৈবাক অসিবু, খুরক্কী ঈনা লাই শাবশিংগী খুবামনুংদগী কনবা ঙমগদবা অশেংবা লুচিংবা পুথোকপা অসিনি। লমদম অসিদা লুচিংবদি য়াম্না লৈ, অদুবু অমত্তা ওইনা য়ানরবা কল্লেক্তিভ লিদরশিপ হায়বসিগী ৱাফম অমা লাকপা মতমদদি ৱাখল্লোন মান্নদবগী অরুবা ফীভম কয়া মায়োক্নৈ। মরম অসিনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ইস্যু অমা থেংনরকপা মতমদা দেল্লীনচিংবা মপানগী ওথোরিটিশিংনা কয়া লূম্না লৌদে। মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা লৈরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা ফাওবা লুচিংবা ওইগদবা মীশক খনবা ঙমদবা অমসুং মখোয় পূম্নমক লুচিংবা ওইনীংবা মরমদগী য়েৎনরকপদা, দেল্লীনা খুদোংচাবা লৌদুনা, মখোয়না হায়বা ইনগদবা খূৎচাবী মীওই অমা খল্লগা লুচিংবা ওইহল্লি। থৌওং অসিদা অতৈ লেমহৌরিবা লুচিংবশিংনা পেম্হোকই অমসুং হায় কম্মান্দনা লৌরকপা ৱারেপ্নি হায়দুনা পার্টিগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলি। অসিগুম্বা কংলৈপাক্কী পোলিটিকেল কলচর অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মরক্তা লৈরিবা, অমত্তা ওইনা পূনশিনবা ঙমদবগী মচৎ অসি লমদম অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগী মরক্তসু অদুম্মক লৈবা উই। মশীং থীঙমদ্রবা লূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা লৈবাক্কী লুরবা ইস্যুশিংবু, মরন্নাই ওইবা, অখুবা ৱাখল অমসুং মীৎয়েংদা থেংনবা মরমদগী, ফাগি তাহনবগা লোয়নননা চমজরবা নুপী-অঙাং অমদি করিসু খঙজদবা নহারোল কয়াবু শেরান্ননা লমজিংই। হায়রিবা থৌওং অসি ইশাখক্তগী নত্তনা লৈবাক্কী ওইনসু য়াম্নমক খুদোংথীনীংঙাইইনি।

মীওইবা হায়বসি লৈবাকমচা তানা লিংজেল মান্নরবদি অমনা অমবু ইকায়-খুম্নৈ অমসুং পূন্না চাওখৎমিন্নৈ। লিংজেল মান্ননা হিংমিন্নবা ইমুং অমদা কনানসু উশিৎ-থৌওইদবা ঙমদে। ৱা অকায়বদা ঈশিং চঙই হায়নবগুম্না, অমগা অমগা অনী শুনা তিন্নবা য়াদবা ইমুংদা য়েক্নবশিংনা ইরায় লায়না খুদোংচাবা লৌদুনা হীগায়ৱা থাজিল্লি, খৎন-চৈনহল্লি, হাৎতোক্নহল্লি অমসুং কাং-খোং চাইহল্লি। কংলৈপাক্তা কন্সটিট্যুশননা পীরিবা, লৈঙাক্কী লো এন্দ ওর্দরগুম্বা ষ্টেট সবজেক্ট অমবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা শুপ্পায় পায়শিন্দুনা, অরানবা মওংদা ওথোরিটি শীজিন্নরিবা অসিমক লিংজেল মান্নদবা কংলৈচাশিংনা তৌহনবনি হায়বা য়াই। মশাগী য়ুনিটি লৈতবা লৈঙাক অমগী মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী ৱাহম্হোক মুন্না খঙবা ঙমদে। খঙলবসু মহৈ-মহৈ ৱাখল্লোন মান্নদবনা, সেন্টরনা কম্মান্দ অসি ষ্টেটকী লৈঙাক্তগী মুনখিবদা করিসু হায়রুবা ঙম্নদে। কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা য়েলহৌমী মীতৈ অমসুং নাগানচিংবদা মথং-মথং লান্দাবা হৌরকই, সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংনা ওর্দর ফংদে হায়দুনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈ। অদুম ওইনমক মীহাৎপা কুকি ফারগা চৈরাক পীয়ু হায়না খোঙজং চঙশিনবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিন্নবা ওর্দরদি য়ুনিফাইদ কম্মান্দনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পী। লৈবাক অসি কুকিগী মীহাৎ, সিফাইগী মীহাৎতা পুন্সি পিখম্নখ্রবশিংগীদমক মীয়াম্না তেংথা-নাওইদুনা কপ্ন-লাউনবগী খোঞ্জেলনা পুম্নিল নিল্লক্লে। লাউ-লাউ - মীহুৎ ৬০ লাউ, তূমিন্না য়ৈশিন্দুনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে লাউ, মীখলগী মতম য়ৌরক্লে ভোটরশিংগী মাঙদা থারো লাউ, কল্লকপা য়াম্মী, কঞ্জাওবা য়াম্মী মাঙদা থারো লাউ। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৬কী ৱাহং

১) “হে ইমা! নিংথেমপোকপী!
মায়থোঙ ফিরুক খুমখ্রবী;
নীংতম পুন্সি মাঙখ্রবী
নঙগী ঈশৈনি; ঐগী ৱারী।”

মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি নোভেল অমগী অহানবা কাতুপ্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং করিনো অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “বশিষ্ঠ আশ্রমদা” হায়বা ৱারেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো? কনানা ইবগে?

৩) “মণিপুরদা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরনা লাকখিবসি কুনশুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক (১৯০২) তা বাঙ্গালিশিংগী খূত্থাংদা লাকখিবনি।”

ৱাহৈ পরেং অসি ৱারেংগী লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপনি। অইবাঅসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৪) “নোংজু থাগী থায়ায় য়ৌশিল্লক্লে মতমসি, কুমগী নোং পুবা নুংশিৎসু মায়কৈ শীনবা থুংনা শীৎলক্লি।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পন্দুপতা য়াওবনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৫) “হিংনা শিবা পুন্সি” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১৩৫গী পাউখুম থাবীরকখিবশিংগী মনুংদা অচুম্বা পাউখুম অমত্তা য়াওদবনা ক্বীজ অসিগী মনা থমজদ্রে।*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী পাউখুম

১) “হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই ‘হো ইমা!’... হায়খিগুমসু তৌখি।”

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো? **:- নোভেলগী মমিং - ঐদি চীংদা শাৎপীনি, অইবা - হিজম গুণ, অহানবা ফোঙবা - জুন, ২০১৩।**

২) “পুন্সিবু হুন্দোক্লম্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।”

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু। **:- অইবা - নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - গান্ধারিগী মিৎখুমফি, ফর্ষ্ট ইমপ্রেশন - ওগষ্ট ৩০,২০১৫।**

৩) “মতমগী য়াওল ইরোয়নন ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।”

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ। **:- অইবা - অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, লাইরিক্কী মমিং - মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক, অহানবা ফোঙবা - দিসেম্বর, ২০১৪।**

৪) “ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো? **:-ত্রান্সলেটর - অরিবম কুমার শর্ম্মা, লাইরিক্কী মমিং - নুমিৎকী তরেৎশুবা শগোল, অনীশুবা খূৎনম - ওগষ্ট, ২০০৮।**

৫) “নতম্বাক্তা” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - নীংথাগী লমন, অইবা - ৱাহেংবম রোমেন মীতৈ, অহানবা ফোঙবা - ২০২০।**

# বুদ্ধ পুর্নিমা - মীওইবগী অৱাবা মশক খঙবা - ১

- শ্রী সি পি রাধাকৃষ্ণন -
হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি

লাইশঙগী কুম্মৈশিং পাঙথোকপা, চিত্রা পৌর্ণমীগী শেংলবা পুর্নিমা নুমিত্তা, ইমুং খুদিংমক নুংঙাই য়াইফবা হেনগৎলক্নবা ঐনা থৌনিজরি। ইনাওশিং অমসুং ইচলশিংদা ঐগী বুদ্ধ পুর্নিমাগী য়াইফ পাউজেল পীবদা ঐ হরাওই।

ভারতনা মালেমদা পীখিবা খুদোলশিংগী মনুংদা, বুদ্ধিজমনা খ্বাইদগী মরু ওই। ভগবান বুদ্ধগী পূন্সি অমসুং পাউতাক্লা মালেম শিনবা থুংনা মীওই ক্রোর কয়াদা মখা তানা মঙাল পীগনি।

মশানা মশাবু মশক খঙজবগী মরু ওইবগী মতাংদা ভারতনা মালেমদা তম্বীখি। “বুদ্ধ” হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা ফোঙদোক্লিবদি “মীকপ থোক্লবা মীওই অমা” হায়বনি। নুমিৎ অসিদা মশানা মশাবু মশক খঙজনবা মীওইবা খুন্নাই লমজিংখিবা, শক্লাইরবা মীওই অসি পোকখিবা অমসুং মঙাল ফংখিবা অদু য়াম্না মরু ওই।

রাজকুমার সিদ্ধর্থ য়াম্না কে-মৌনা য়োক্লকখি। চহী ২৯ শুরকপদা, মহাক্কী কোনুং, লোয়নবী, মচানুপা অমসুং লন-থুম থাদোক্লমখি, থৱায়গী ওইবা অচুম্বা থিনবগীদমক মহাক কোইচৎ চৎপা হৌখি। চহী ৬ চূপ্না য়াম্না কন্না থিরবা মতুংদা বোধ গয়াদা বোধ উগী মখাদা মহাক মঙাল ফংখি, বুদ্ধ ওইরকখি।

অচুম্বা মরি খঙবা অমসুং অচুম্বা থবক পাঙথোক্লবা লম্বী খঙবদগী অনৌবা ৱাঙুলোন অমা হৌরকখি, মসিনা মালেমগী পুৱারীদা ভারতনা মফম অমা কনবগী চাউথোকচবা হৌখি।

বারানাসী ময়া, সরনাথতা, লম্বোইবা মঙাদা মহাক্লা মহাক্কী অহানবা পাউজেল শন্দোকপা হৌখি। “লাইনিংগী কাংখোঙ উংবা” হায়না খঙনখি, মসিগী তাকপদি হৌখিবা অসিনা বুদ্ধিজমগী অহানবা য়ূম্ফম ওইখি অমসুং কাঙলোন চুম্নবা বুদ্ধিজম হৌখি।

মতমগী মতুংইন্না, মহাক্কী পাউতাকশিংনা মীওই কয়া চিংশিনবা হৌখি। মগধাগী নিংথৌ বিম্বীসারানা রাজগিরিদা ভেনুবানা (ৱাগী উমং) মোনাষ্ট্রি কৎখি। মোনাষ্ট্রি অমা শানবা ইনাকখুল্লবা অনাথপিন্ডিকানা জেতবনা অপুনবা সনাগী শেলয়েকশিংনা কুপশিনখি। অচুম্বা থবকশিং ভারতনাঅচেৎপা থাজবা থমখি অদু অসিগুম্বা থবকশিংদা মমি তাখি।

মোনাষ্ট্রিশিংনা অচুম্বা মরী শন্দোকখি : অপাম্বনা অৱাবা খুদিংমক্কী হৌরকফম্নি; অপাম্বা লৌথোক্কুনা অৱাবা কোকহনবা ঙমগনি; অমসুং লম্বী নিপাল মতুং ইনবনা, কনাগুম্বাঅমা অৱাবদগী কোক্কনি।

বুদ্ধনা পাউতাক পীখি : হৌজিক হৌখ্রবা মতমদা য়ূম্ফম ওইরগা হিংগনু। অচুম্বনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লি। ৱাখলনা থবক খুদিংমক্কী হৌরকফম্নি, মরম অদুনা অফবা ৱাখল খনগদবনি। অৱাবা মতমশিংদা কিবদগী লৈদুনা চেল্লোইদবনি। পূন্সিগী খোঙচৎ অসি ইথন্তনি - অধ্যাত্মিক্কী লম্বী অমনা মসি লমজিংগদবনি। ৱাহৈশিংনা নুংঙাইহন্দে, মরম অদুনা ফজনা ঙাঙগদবনি। নুংশিবা অমসুং অহিংশা তঙাইফদে। মতম পূম্নমক্তা তম্মু-কৈদৌঙৈদা তম্বা লেপকনু।

মানিমেকলাই অমসুং কুন্দালোকেসিগুম্বা টামিল সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা বুদ্ধগী ৱাঙুলোন ফজনা মশক তাকখি। লাইরিক কয়া মাঙখ্রবসু, মখোয়গী থৌদাং মমল নাইদে।

“ময়াই কাবা থকপনা ৱাখল মমশিলহল্লি অমসুং লৌশিং লৈবা, চমম্নবা কোকহনবনা, মখোয় থাদোকপা ঙমহল্লি, তাউ : পোকপা অমসুং শিবা অমসুং শিবনা অমুক পোকহল্লি, তূম্বা অমসুং মিকপথোকপগুম্না - মসি অচুম্বনি। অচুম্বা থবক পাঙথোকপা মীওইশিংনা অচুম্বা তাইবঙপাল অমা ফংই, ফত্তবা থবক পাঙথোকপশিংনা হেন্না অৱাবা তাই। মসি খঙলদুনা, লৌশিং লৈবা মীওইশিংনা মখোয়দগী লাপথোকই”। অসুম্না, মহাকব্যা মানিমেকালাইনা বুদ্ধিজমগী ফজবশিং শন্দোক্লা তাকখি। (আথিরাই পিচ্চাইও কথাই : ৮৪-৯০)

মহাক্লা অচুম্বা থবক মঙাগী মতাংদা হায়খি : অহিংশা, হুরান্দবা, নুপা-নুপী ওক্তবা লিচৎ থাদোকপা, অচুম্বা তৌবা অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থাদোকপা। লাইনীংগী মথক্তা, ৱাখলনা পূম্নমক্কী হৌরকফমনি- অফবা ৱাখলশিং অমসুং থবকশিংনা নুংঙাইবা পূন্সি অমসুং খুন্নাই অমা পুরকপা ঙম্মী হায়না মহাক্লা তাকপীখি। মরম অদুনা ৱারবা ৱাখলশিংদা মহাক্লা নাখৈ শেংবা অমসুং মঙাল পুরকখি। মহাক ‘এসিয়াগী মঙাল’ হায়নাখঙনখি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

# লময়ানবা ইরাবতকী লমজিংদা মণিপুরদা মে ডে -১

- সোটিনকুমার -

জননেতা হিজম ইরাবত মণিপুরী খুন্নাইগী শক্লাইরবা মীশকশিংগী মনুংদা তোমথিন ঙান্দুনা লৈরবা- সাহিত্য, কলা, সংস্কৃতি, শান্ন-খোৎনবা, সমাজ-সংস্কার, রাজনীতিগী লম্বীদা মরু ওইনা- শুরি নোম্লিবা শিন্মী কাঙলুপকী লাম্হেংনবদা কৎথোকপদনা মশরুক ওইখ্রবা, মরৈবাক মজাতি অমসুং বিশ্বশান্তিগীদমক অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা মীনা মীবু ওৎতবা মান্নবা সমাজ, সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজমগী পান্দম ফংনবা লান হৌরম্বা লালহৌবা রেভেল্যুস্নরিনি।

মায়থোঙ কয়া লোংবা মণিপুর ইতিহাসকী চেম্হরক্লিবা ইচেলদা মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবক্কী মরমদা জাতি অসিনা নৈনরি, নৈনরকখিগনি মরমদি মহাক্কী থবক অমসুং ৱাখল্লোন্দি চাওখৎপা পান্বা অমসুং লেপ্তুনা লৈতবা ৱাখল্লোননি। পুন্সিগী মশীং য়ামখ্রবা মহাক্কী থৌদোকশিংগী মনুংদা থৌদোক অমখক মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বদু- মেগী অহানবা নুমীৎ মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎনি। নুমিৎ অসিবু পৃথিবী শিনবা থুংনা থৌরম পাঙথোক্নরে। থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়নননা শিন্মীশিংনা অমগা অমগা শৌগৎনবা অমসুং নুংশি চান্নবা ফোঙদোক্নবগা লোয়নননা শেঞ্জাও পায়বা সমাজগী মীনা মীবু ওৎ নৈবা নীতিদগী মনীং তম্বা ফংনবা ৱাশক লৌনরি। অদুগা সমাজবাদ (মান্নবা খুন্নাই) লিংনবা পুন্না থেংনমিন্ননবা লাউথোক্লি।

ইতিহাসিক ওইরবা মেগী অহানবা নুমীৎ অসি আমেরিকাগী চিকাগো সহরদা কুমজা ১৮৮৬তা হৌখিবা অকনবা শিন্মীশিংগী অন্দোলন অদুদগী লৌদুনা চত্থরকখিবনি। নুমীৎ অদুদা শিন্মী লাখ ৫ হেনবনা অতন্ননা অন্দোলন শরুক য়াখিবা অদু উবদা শেঞ্জাও পায়বা কল কারখনাগী মপুশিং অমসুং মখোয়গী খুৎপুশিং অদু অকিবা পোল্লকখি। শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তি অদু মতমদুগী ফিভমদা মখোয়গী থবক শুবগী ফিভম ফগৎনবা মরুওইনা থবক শুবগী পুংশিং পুং নিপান (৮) দা হন্থহন্নবা দাবী অদুদগী ওইরকখিবনি। শিন্মীশিংগী শক্তি নমথনবা মীকুপ অমত্তা থেংথদনা শেঞ্জাও পায়বশিং অদুনা মখোয়গী স্বার্থদা কোর্টকী শক্তি শিজিন্নদুনা অন্দোলন অদু নমথনবা হোৎনখি। মেগী অহুমশুবা নুমীৎতদি মেক কোর্বিক হার্বেষ্টর ৱার্কশোপকী অন্দোলনকারি শিন্মীশিংবু লাকশিন্নবা হিংচা য়াইতম্বা মওংদা পুলিসনা চত্থরকখিবদুদা শিন্মী তরুক শিখি, কয়া অমনা শাথিনা অশোক অপন নঙখি। থংনবা নুমীৎতা পুলিসকী কা হেনবা থৌদৌ অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হে মার্কেট স্কোয়রদা মীটিং অমা শিন্মীশিংনা শিনখি। মদুদসু পুলিসশিংনা লান্দারকখি। মীয়াম মরক্তা বোম লংশিল্লকখি। পুলিসমেন ৭ অমসুং শিন্মী ৪ থৌদোক অদুদা শিখি। অশোক অপনশিংগী মশিংদি অসুক্কী মতিক য়ামখি, মদুদি মশীং থিবদা ৱাখি। মদুগী মতুংদা চিকাগো অন্দোলনকারিশিং ফাজিনখি অমসুং শেঞ্জাও পায়বা ষ্টেট পুলিসকী অত্যাচার মায়োক্লখি। চিকাগো থৌদোক অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা শিন্মী লুপশিংনা য়াম্না কন্না নিন্দা তৌনখি লোয়নননা কুমজা ১৯৮৯গী জুলাই ১৪ দা পেরিসতা ফমখিবা সেকেন্দ ইন্টর্নেসনেলগী মীফমনা মে অহানবা নুমীৎপু ‘মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎ’ হায়না চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরকখি। মে ডে থৌরম মালেম শিন থুংনা পাঙথোকপা হৌরকখি।

ইন্দিয়াদসু মে ডেগী ইহৌ তপ্না-তপ্না হৌরকখি। শিন্মীশিংনা অহানবা অন্দোলন কুমজা ১৮৬২ দা হাওরা রেলৱে ষ্টেসন্দা পাঙথোকখ্রবসু মে ডেগী থৌরমদি চহী ৬১ লৈরগা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মদুসু খা ভারতকী মদ্রাজ সহরগী সমুদ্র খোংবান্দা লৈবা শিন্মী লুচিংবা সিঙ্গারা ভেলুগী য়ুমদা মহাক্লা সভাপতি ওইদুনা কুমজা ১৯২৩ দা য়াম্না চন্না পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী চিংখৎনবা ফিরাল লৈতবদগী মচানুপীগী ঙাংশ্রং ঙাংবা সাড়িবু ফিরাল ওইনা চিংখৎখিবদু কাউঙম্লরোইদবা থৌদোকনি। থৌরম অদুনা মে ডেবু লৈঙাক্কী ছুটি ওইনবা দাবী তৌখি। কুমজা ১৯২৯ দগীদি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা মে ডে থৌরম্বু ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবা শিনবা হৌরকখি। চহিদুদা কলকত্তাগী মে ডে থৌরমদা বৃটিশ ত্রেদ য়ুনিয়ন লুচিংবা রজনীপালদত্তনা ৱা ঙাঙদুনা মীয়াম্বু শিন্মীশিংগী ইহৌদা পুক্লিং চিংশিনখি।

নোংমা নোংমগী কল-কারখানা অমসুং শিন্মীশিংগী মশীং হেনগৎলকপনা ইন্দিয়াদা শিন্মীশিংগী অন্দোলনসু মশিং হেনগৎলক্লি। শিন্মীশিংতগী ওইবা দাবীশিংতা নত্তনা মরৈবাক মজাতিবু নীংতম্বা ফংনবা খোল্লাওসু য়াওরকখি। মদুগী মরমদি রুশকী ওক্টোবর রেভোল্যুসন মায় পাকখিবা অমসুং মদুগী ইহৌ অদু ইন্দিয়াদসু য়ৌরকখিবননি। মদুগী ইথিল অদুনা ভারতকী শিন্মীশিংদা ইনোৎ অমা হাপকৎখি। সমাজবাদকী খোল্লাও লাউরকখি। সমাজবাদী লুচিংবা কয়া পুথোরকখি, রেভোল্যুস্নরি কয়া থোরকখি অমদি মালেমগী সমাজবাদি অন্দোলন্দা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। মদুনা ভারতকী অৱাং নোংপোক সিমানা তন্না হাইজিল্লকখি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।